# সিটিং ১৮ লৈগদবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম হৌখ্রে ওপোজিসন পার্টিশিংনা নো–কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ ঃ*

লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা, পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্কী মোন্সুন সেসন ঙসিদগী হৌখ্রে। পার্লিয়ামেন্ট মীফম অসিদা পূন্না সিটিং ১৮ লৈগনি। সিটিং ১৮ অসিগী পূং ১০৮ কী মনুংদা কোইসন অৱার অমসুং জেরো অৱারগী খাইদোকখ্রগা গভর্ণমেন্ট এজেন্দাশিং খন্ননবা পূং ৬২ গী মতম ফংগনি।

গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিংনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক অসিদা মখোয়না চত্থগদবা লানলোং মাঙজৌননা থৌরাং তৌনখ্রে। হাউস অনীমক্তা পুখৎকদৌরিবা বিলশিংগী মনুংদা মরু ওইবা বিল খরা য়াওরি।

পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং এম পি শিংদা অমগা–অমগা মরাল শীনবা তোক্লবা অমসুং মথৌ তাদবা অপনবশিং লৈহন্দনা পার্লিয়ামেন্টকী থবক চত্থবা য়াহন্নবা লোক সভা স্পিকর সুমিত্রা মহাজন অমসুং রাজ্য সভা চিয়ার্মেন ভেঙ্কয়া নাইদুনা আপিল তৌখ্রে।

ওপোজিসন পার্টিশিংনা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা পুখৎলকপা নো–কনফিদেন্স মোসন অদু লোক সভা স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা য়াখ্রে হায়না কংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা নো–কনফিদেন্স মোসন অদুগী মতাংদা খন্নগদবা অমসং ভোট লৌনগদবগী নুমিৎ হোংদোক্লবগী মতাংদা খন্ন–নৈনখি অদুবু হাউকী স্পিকরনা হীরম অদু হৌজিকমক খন্নবগী অয়াবা পীখিদে। লোক সভানা নো–কনফিদেন্স মোসন অদুগী মতাংদা খন্নবা অমসুং ভোট লৌনবা অদু জুলাই ২০ দা পাঙথোক্লবা মতম পীখি।

লোক সভাগী প্রোসিদিংশিং নুংথিল পূং ২.১০ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি। অদুগা রাজ্য সভাগীসু নুংথিল পূং ২ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি।

কংগ্রেস অমসুং টি দি পি (তেলুগু দেসাম পার্টি) য়াওনা ওপোজিসন পার্টিশিংনা থাঙ্গৎখিবা নো–কনফিদেন্স মোসন অদু তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী এম পি ৫০ হেনবনা শৌগৎখি।

ঙসি গভর্ণমেন্টকী মথক্তা থাঙ্গৎলিবা নো–কনফিদেন্স মোসন অমা গভর্ণমেন্টনা য়াখিবসি কুমজা ২০০৩ গী মতূংদগী মসিনা অহানবনি। কুমজা ২০০৩ দা মতমদুগী অটল বিহারি বাজপায়ীগী গভর্ণমেন্টকী মথক্তা সোনিয়া গান্ধীনা নো–কনফিদেন্স মোসন অমা মুভ তৌখি। অদুবু মোসন অদু শৌগৎনবা ওপোজিসনগী মতীক চাবা মেম্বর মশীং লৈখিদে।

ঙসি লোক সভাগী মীফম হৌদুনা অনৌবা মেম্বরশিং ৱাশক লৌরবা তূংদা চরাংনবা অমা থোকখি। হাউসকী ৱেলদা ওপোজিসন লোমেকরশিংনা চঙশিল্লক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী মমাঙদা মেম্বরশিং অদুনা ঐখোয় অচুম্বা পাম্মী হায়বা খোল্লাওশিং লাওবা হৌরকখি। ঐখোয়না লাওরিবা খোল্লাও অদু অন্ধ্র প্রদেশনা দিমান্দ তৌরিবা স্পিসিয়েল ষ্টেতস অমসুং লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা মোব কিল্লিং মশীং খঙহৌদনা হেনগৎলকখিবা অদুগী মতাংদনি।

টি দি পি না গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা নো কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎলিবা অসি অন্ধ্র প্রদেশতা স্পিসিয়েল ফাইনান্সিয়েল ষ্টেতস পীবগী য়েৎনবা অদুগী মখা চত্থবা অমনি। ৱাথোক অসিদগী লুচিংবা চন্দ্রবাবু নাইদুগী টি দি পি না চহী অসিগী ঙল্লিঙৈদা এন দি এ গভর্ণমেন্টতগী তোক্লকখিবনি।

অদুবু নো–কনফিদেন্স মোসন অসিনা বি জে পি না লুচিংবা গভর্ণমেন্টতা খুদোংথিবা থোকহনবা ঙম্লোই মরমদি লোক সভাগী অপূনবা মেম্বর মশীংগী তঙ্খাই হেন্না বি জে পি গী মেম্বর ২৭৩ লৈ। মসিগীসু মথক্তা বি জে পি গা চৎমিন্নবা খোঙলোইশিংসু লৈরি। অদুবু খোঙথাং অসি ৱাথোক অসি ময়েক শেংনা অমুক্তং খঙহন্নবগী তাঞ্জা অমা ওইনা চত্থরকপনি।

পার্লিয়ামেন্ট মনুংদা চঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পার্টি পূম্নমক্তা মখোয়গী লৈরিবা নুংনাংবা খুদিংমক পার্লিয়ামেন্টতা অফবা ৱাখলগা লোয়ননা দিবেট তৌসি হায়না আপিল তৌখি।

মোন্সুন সেসন অসি হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টকী মপান্দা পুল্লিবা পাউমীশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মীফম অসি পার্লিয়ামেন্টকী শীংথানিংঙাই ওইবা সেসন অমা ওইগনি মরু ওইবা বিল কয়ামরুম পুথোক্কনি হায়খি। লৈবাকসিগী মীয়াম কান্নবা ফংহন্নবা পার্লিয়ামেন্টপু অপনবা য়াওদনা থবক নান্না চত্থবা য়াহনবদা মতেং পাংনবা ঐনা পার্টিশিংদা আপিল তৌজরি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

# ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবদি সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলস মায় পাক্কনি ঃ *য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হরদীপ পুরি*



*ন্যু য়োর্ক, জুলাই ১৮ ঃ*

হকচাং ফবা, চপ মান্নবা অমসুং শান্তি ওইবা ফিভমগী মালেম অমা ফংনবা মালেম লুচিংবশিংনা লৌখিবা ৱারেপ আশা চাওরবা ২০৩০ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলসকী মায় পাকপা অদু ইন্দিয়ানা মায় পাকপা–পাক্তবগী মখা পোনগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হরদীপ সিংহ পুরিনা হায়খ্রে।

হাউসিং এন্দ অর্বান এফিয়ার্সকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অসিনা ফোঙদোকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফ্লেগসিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং অসি গেমচেঞ্জরশিংনি অমসুং মসিগী খুত্থাংদা ইন্দিয়ানা মালেমগী অতৈ মফমদা পায়খৎলিবা প্লান্ট অর্বানাইজেসনগী খ্বাইদগী মপূং ফাবা অমসুং মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা প্রোগ্রাম অদুদগীসু ইন্দিয়ানা হেনগনি হায়খি।

মসিগী মমাঙদা মালেমগী লুচিংবশিংনা চত্থখিবা মিলেনিয়ম দিভলপমেন্ট গোলস মায় পাকখিবা অদু অয়াম্বনা চিনানা মীওই মিল্লিয়ন চা কয়াবু লায়রবা কোকহনখিবগী মরমদগীনি। অসুম্না সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলসকী মায় পাকপা হায়বসি চপ চানা ইন্দিয়াগী মখা পোন্না লৈ অমসুং ঐখোয়না মসি ফংনবা অচেৎপা ৱাশক লৌরে হায়না হরদীপ সিংহ পুরিনা হায়খি।

হারদীপ সিংহ পুরিনা হৌজিক হৌজিক য়ু এন হেবিটেদকী গভর্ণিং কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ওইরি। মহাক্না য়ু এন দা চৎপা খোঙচৎতা য়ু এন দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম এদমিনিষ্ট্রেতর এচিম ষ্টৈনর, য়ু এন ইনভাইরোনমেন্ট প্রোগ্রামগী মকোক কেরিক সোলহৈম অমসুং য়ু এন হেবিটেদ একজিক্যুটিভ ডাইরেক্তর মাইমুনাহ মোহদ সারিফ উন্নখি।

মকোক থোংবা য়ুনিয়ন ওফিসিয়েলশিং অদুগা উন্নখিবা অদুদা মহাক্না ক্লাইমেট চেঞ্চ অমসুং হেবিটেদকী হীরম অনীমক পূন্না পূক্নীং চঙশিন্নবা ঐখোয়গী কোকশিং পুনশিন্নবগী মথৌ তাবা অমা লৈরে হায়খি।

সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল কয়ামরুমগী মতাংদা খুমাঙ চাওশিনবা রিভ্যু তৌরিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স হায়–লেভেল পোলিটিকেল ফোরম শরুক য়ানবা মহাক্না ন্যু য়োর্কতা লাকখিবনি।

ইন্দিয়াগী অর্বানাইজেসন এজেন্দাদা চহী খুদিংগী অর্বান স্পেস স্কৱার মিটর মিলিয়ন ৭০০ দগী ৯০০ ফাওবা শেমগৎপা চঙলি। হৌজিক্তগীনা ২০৩০ ফাওবা ইন্দিয়াগী অর্বান দিবান ফংনবা চহী খুদিংগী লৈবাক অসিনা অনৌবা চিকাগো অমমম শেমগৎপা তাই।

কুমজা ১৯৪৭ তা ইন্দিয়ানা নীং–খা তম্বা ফংখিবা মতম অদুমক্তদা অপূনবা মীশিং মিল্লিয়ন ৩৩০ নি হায়না পাবদা মীশিং অসিগী চাদা ১৭ অর্বান এরিয়াশিংদা লৈখি হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌজিক ইন্দিয়াগী অপুনবা মীশিং বিল্লিয়ন ১.২ পাবদা মীশিং অসিগী চাদা ৩০ হেন্না অর্বান সেক্টরশিংদা লৈরে। ২০৩০ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোলগী এজেন্দা অসিগী থবক মপূং ফানা লোইশিল্লকপা মতম ২০৩০ ফাওবগী মনুংদদি লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৪০ নৎত্রগা ইন্দিয়ান বিল্লিয়ন ৬০০ রোম অর্বান স্পেসশিংদা লৈগনি। অদুবু কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী মখাদা গভর্ণমেন্টনা অর্বান ইন্দিয়ানশিংগীদমক মখোয়না ঙমগদবা য়ূম বিল্লিয়ন ১১ শানবা পান্দম থল্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# য়ু এস–চিনা ট্রেদ ৱারদগী থোক্লকপা ফত্তবা ফল অদুগীদমক সাউথ কোরিয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টরনা চেকশিন্নবা ৱার্নিং তৌখ্রে

*সিওল, জুলাই ১৮ ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চহী অসিগী গ্লোথকী মীৎয়েং হন্থহনখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং চিনাগগী মরক্তা চপ চানা মায়োক্লবা ললোন ঈতিক্কী লান অমা থোক্লিবা অসিনা লৈবাক অসিদা তাহল্লক্কদবা ফত্তবা ফল অদুগীদমক চেকশিন্নবা ৱার্নিং তৌখ্রে।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ১১ শুবা ইকোনোমি অসিনা হান্না চাদা ৩ গী গ্লোথ লৈগনি পারম্বা অদুদগী হন্থরগা চহী অসিদা চাদা ২.৯ গ্লোথ লৈবা য়াই হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর কিম তোং–য়িওননা হায়খি।

এক্সপোর্টতা য়ূম্ফম ওইবা ইকোনোমি অসিনা চাদা ৩.১ গ্লোথ লৈরিবা হৌখিবা চহীদগী হন্দক্কী অনৌবা ইষ্টিমেট অসিনা হন্থরবনি। হন্দক্কী চহী অসিদদি সাউথ কোরিয়াগী মরু ওইবা ললোন ঈতিক্কী খোঙলোয় ওইরিবা চিনা অমসুং য়ু এস এ না অমনা অমগী মথক্তা অকনবা ৱা ঙাংনদুনা পোৎ–চৈ শিংদা দোল্লর বিল্লিয়ন কয়াগী অচৌবা টারিফশিং থমজিন্নখ্রে। মরম অদুনা মথংদা লাক্কদৌরিবা ইকোনোমিগী লম্বী অসি ফগনি হায়বগী আশা লৈতে হায়না পাউমীশিংদা কিমনা হায়খি।

য়ু এস অমসুং চিনাগগী মরক্তা ললোন ঈতিক্কী থোক্লিবা লান অসিনা মরম ওইদুনা ইন্টর্নেস্নেল ফাইনান্সিয়েল মার্কেটশিংদা লৈতাদবা অমা শন্দোক্লবদি ফিভম অসি অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লকখিবা য়াই। মার্কেট অমসুং কোর্পোরেটকী ফিভম ফগৎলক্ত্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মপান লৈবাক্তা থাদোকপা পোৎ–চৈ শিংনা সাউথ কোরিয়াগী ইকোনোমি তঙ্খাই অমা হেল্লিবনি। চিনাদা অপূনবা এক্সপোর্টসকী শরুক মরি থোকপগী অমা অমসুং য়ু এস তা চাদা ১২ রোম থাদোক্লিবনি।

য়ু এস অমসুং চিনাগী ললোন ঈতিক্কী মুক্কবা অসি য়াওনা ইন্টর্নেস্নেলগী ললোন ঈতিক্কী ফিভমশিং কূপ্না য়েংশিনগনি হায়খি অমসুং অনৌবা থবক পুথোকপদা পূক্নীং থৌগৎনবগী থৌরাং কয়ামরুমসু লাওথোকখি।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা অতোপ্পগী মায়োক্তা লেপ্পগী ফিরেপ 'অমেরিকান ফার্ষ্ট' হায়বসি লৌদুনা ষ্টিল অমসুং এলুমিনিয়মগী পোত্থোকশিংদা লৌবা দ্যুটি য়াম্না ৱাংখৎহনখি। মদুনা মরম ওইদুনা য়ু এস কা মরুপ–মপাং ওইবা লৈবাকশিং শাওহনখি অমসুং থুনমক লমন খুম্বগী থবকশিং চত্থহল্লকখি।

চিনানা শাবা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৩৪ গী পোৎশিংদা চাদা ২৫ ফাওবা য়ৌবগী দ্যুটিশিং লৌখ্রে। মসিদগীসু হেন্না অসিগুম্বা খোঙথাংশিং চত্থরকখিগদৌরি।

চিনানা য়ু এস টারিফশিংদা দোল্লরগীদমক দোল্লরদা চপ মান্নহনবা হৌখ্রে অমসুং মখা তাবা মসিদগী হেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না কিহনখ্রে। মরকসিদা য়ু এস এক্সপোর্টশিংনা কানাদা, মেক্সিকো অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদগী লমন খুম্বগী অচৌবা টেক্সশিং মায়োক্লখ্রে।

# খা সিরিয়াদা রিবেলগী লৈফমদা নোংথক্তগী চত্থরকপা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীচম ১২ শিখ্রে

*লন্দন, জুলাই ১৮ ঃ*

সিরিয়া গভর্ণমেন্টকী খোঙলোয় ওইরিবা রসিয়ানা খা থংবা সিরিয়াদা লৈবা রিবেলশিংনা পায়রিবা মফম অদু অমুক হন্না লৌশিন্নবা দমাস্কসতা ৱারী শান্নৌ হায়না কন্না তকশিল্লিঙৈ চৈরক্তা মফম অদুগী রিবেলনা পায়দুনা লৈবা অপীকপা মফম অমদা কনানা চত্থবনো খঙদবা নোংথক্কী এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীচম ১২ শিখ্রে হায়না লন্দনদা লৈবা সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নোংথক্তগী চত্থরকখিবা এটেকশিং অদু সিরিয়াগী খা থংবা প্রোভিন্স ওইরিবা দারাদা রিবেলনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা অরোয়বা তাউন নৱাদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা চত্থরকখিবনি।

সিরিয়া গভর্ণমেন্টনা থা অমা ফাবাত্তবগী মনুংদা জোর্দানগা ঙমখৈ তাইনরিবা অমসুং সিরিয়াগী ২০১১ ঈহৌ খোঙজংগী হৌফম ওইরিবা দারা প্রোভিন্সকী চাদা ৯০ হেন্না অমুক লৌশিনখ্রবনি। অদুবু হৌজিকসু মীওই লীশিং কয়া লৈরিবা নাৱাদা ওপোজিসন ফাইটরশিংনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা থিংনবা হোৎনরি।

সিরিয়া গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা জুন ১৯ দা শাথিনা তমথিবা এটেক অমা চত্থখ্রবগী তূংদা রসিয়ানা জুলাইগী অঙনবদা রিবেলশিং অদুগী মথক্তা প্রোভিন্স অদুগী নোংপোক থংবা শরুকশিং খূৎশিন্নরক্লবা অকনবা শাফু পীখি। হৌখিবা চয়োলদসু প্রোভিন্স অসিগী কোনুং খূৎশিন্ননবা তকশিনখি।

প্রোভিন্স অসিগী নোংচুপ্তা লৈবা অতৈ তাউনশিংসু সিরিয়া গভর্ণমেন্টতা লম খূৎশিন্নবগী দিল অসিদা য়াওশিল্লকখ্রে।

ঙসি য়ূমশকৈশা নুমিত্তা রিবেলনা পায়দুনা লৈবা খ্বাইদগী অরোইবা তাউন ওইরিবা নাৱাসু রিকন্সিলিয়েসন দিলদা য়াওশিন্নবা ৱারী শান্নবগী থবক চত্থরি হায়না ওবজার্ভেটরিগী মকোক রামি অবদেল রেহমননা হায়খি।

# সাইন্টিষ্টশিংনা পৃথিবীগী ঈতিহাসতা অনৌবা 'মেঘলায়ান এজ' পুথোকখ্রে

*লন্দন, জুলাই ১৮ ঃ*

জিওলোজিষ্টশিংনা হৌখিবা ইকোন কোনবা চহী ৪,২০০ বু অখন্নবা আর্ট এজ অমা ওইনা ক্লাসিফাই তৌখ্রে অমসুং মদুবু পৃথিবী পাক–শন্না সিভিলাইজেসন কয়া মুত্থৎখিবা অচৌবা ঈকং অমা থোকখিবগী হৌরকপা মতম – 'মেঘলায়ান এজ' হায়না মমিং থোনখ্রে। মসি পৃথিবীগী ঈতিহাসতা অনৌবা চেপ্তর অমনি হায়খ্রে।

জিওলোজিষ্টশিং অদুনা পৃথিবীগী হৌজিক ফাওবা লৈরক্লিবা মতম অসিবু চহী বিল্লিয়ন ৪.৬ কী মচেৎ–মচেৎ ওইনা খাইদোকই। অসিগুম্বা মচেৎ অমমমনা মশক থোকপা থৌদোকশিং – কন্টিনেন্টশিংগী মচেৎ কায়খিবা ক্লাইমেটতা অঙকপা অহোংবশিং লাকখিবা অমসুং শাশিং অমসুং পাম্বীশিংগী পুন্সিদা অখন্নবা মওংশিং লাকখিবা অদুগা চান্নহল্লি।

ঐখোয়না হিংলিবা হৌজিক্কী এজ অসি হোলোসিন ইপোক কৌই। মসিদা হৌখিবা চহী ১১,৭০০ তা থোকখিবা খুদিংমক্কী ওইবা তাই। মসি ইকোন কোনবা আইস এজ অদুবু মাঙহনখিবা অঙকপা মওংদা শাবা হেনগৎলকখিবা অদুগী মতূংদগীনি হায়না ঙসি য়ূমশকৈশা নুমিত্তা বি বি সি না হায়খি।

ইন্টর্নেস্নেল কম্মিসন ওন ষ্ট্যেটিগ্রাফি (আই সি এস) কী মতূং ইন্না হোলোসিন ইপোক অসিমকসু অমুক্কা হেন্না মচেৎ খায়দোকপা য়াই। খ্বাইদগী নহা ওইবা তাঙ্কক, মেঘলায়ান এজ হায়বসি চহী ৪,২০০ গী মমাঙদগী ১৯৫০ ফাওবা চীংই।

**সনা–সুদোকু –১২৩১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 9 | 6 | 4 | 8 | 2 | 7 | 3 |
| 7 | 8 | 2 | 5 | 3 | 9 | 4 | 6 | 1 |
| 6 | 3 | 4 | 1 | 2 | 7 | 9 | 8 | 5 |
| 8 | 9 | 5 | 7 | 1 | 4 | 6 | 3 | 2 |
| 2 | 4 | 1 | 9 | 6 | 3 | 8 | 5 | 7 |
| 3 | 7 | 6 | 2 | 8 | 5 | 1 | 9 | 4 |
| 9 | 5 | 8 | 4 | 7 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 1 | 2 | 7 | 3 | 9 | 6 | 5 | 4 | 8 |
| 4 | 6 | 3 | 8 | 5 | 2 | 7 | 1 | 9 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1232**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | 7 | 1 |
| 5 | | | | | 6 | | 4 | |
| | 3 | | 9 | 4 | | 2 | | |
| | | | 3 | 7 | | | 8 | 2 |
| | | | | | | 6 | | |
| 4 | | | | | | | 1 | 9 |
| | | 5 | | | | 7 | | 3 |
| | | | | | 4 | 1 | 9 | |
| | | | 2 | | 1 | | | 4 |

# পাৎশিংগী সিটি উদয়পুরনা মালেমগী খ্বাইদগী ফবা সিটি ১৫ গী মনুংদা ৩ শুবদা লৈ ঃ *ট্রেভেল পোল*



*উদয়পুর, জুলাই ১৮ ঃ*

মালেমগী মনুংদা লৈরিবা সিটি ময়ামগী মরক্তগী ট্রেভেল প্লস লেজরনা খ্বাইদগী ফবা সিটি ১৫ খনবদা ইন্দিয়াগী হেরিটেজ সিটি অমা ওইরিবা উদয়পুরনা অহুমশুবদা লৈরে। অহানবা সিটি অনীদুদি সান মিগুয়েল দে এল্লেন্দে অমসুং ওক্সাকানি। অনীমক মেক্সিকোদা লৈবা সিটিশিংনি।

ৱার্ল্ডস বেষ্ট এৱার্দ সর্ভেগী শরুক অমা ওইনা ট্রেভেল এন্দ লেজর চেফোঙবু পারিবা মীওইশিংদা য়েংবদা ফজবা, মশক নাইবা বিল্ডিংশিং, কলচর, সোপ্পিং, চান–থক্লবা অমসুং অতৈ মরু ওইবা মগুণশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা মখোয়না খ্বাইদগী হেন্না পামজবা মফম খল্লু হায়না হংখি।

উদয়পুর সিটিনা অসিগুম্বা রেঙ্ক অসি ফংবা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়ান সিটি অমুক হন্না ওইরে অমসুং সিটি অসিনা মুম্বাই অমসুং দিল্লি য়াওনা অতৈ টুরিষ্টশিংগী মরু ওইবা মফমশিংদগী মাঙ থারে।

সিটি ওফ লেক্স অমসুং ভেনিস ওফ দ ইষ্ট হায়বা মমিং অনী অসিদা খঙনবা উদয়পুরনা খা থংবা রাজস্থানগী লেক পিচোলাগী তোর্ব্বান্দা অঙকপা ফংনা ফজরবা মফম অমদা লৈ। মহাক্কী ফজরবা মহৌশাগী ফিভম, পাক–চাওবা কোনুংশিং, ৱার্ল্ড ক্লাসকী ম্যুজিয়মশিং অমসুং লকজরি হোটেলশিংগীদমক মমিং চৎলবা উদয়পুর ইতিহাসতা অচৌবা মফম কন্দুনা লাকখি। মেৱারগী মহারানাশিংগী মীরোল কয়ামরুমগী লৈফম ওইরকখি।

হৌজিক উদয়পুরনা ইন্দিয়াদা লাকপা টুরিষ্টশিংগীদমক খ্বাইদগী ফবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা চপ চানা ওইরে। অদুগা সিটি অসিদা লৈরিবা সিটি পেলেস ম্যুজিয়মনা ভিজিতরশিংগী মীৎয়েং চিংশিনফম অদুম্মক ওইদুনা লৈরি।

কুমজা ২০১৬–১৭ তগী হৌনা সিটি পেলেস ম্যুজিয়মনা চহীগী ওইনা ভিজিতর মিল্লিয়ন অমা হেনবগী মীৎয়েং চিংশিল্লি হায়না উদয়পুরগী মেৱার অমসুং চিয়ার্মেন এন্দ মেনেজিং ট্রষ্টি ওফ মহারানা ওফ মেৱার চৈরিতেবল ফাউন্দেসন (এম এম সি এফ) শ্রিজি অর্ভিন্দ সিংহনা হায়খি।

স্কৱার ফিট ২০০,০০০ কী পাক চাওবা লম অমা কোনশিল্লিবা সিটি পেলেস ম্যুজিয়ম অসি কুমজা ১৫৫৯ দগী হৌনা লৈরকখ্রবনি অমসুং মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী লীরবা রোয়েল দাইনেষ্টি ওইরিবা মেৱারগী মহারানা মীরোল ২৩ গী ময়ূম ওইরকখিবনি।

সিটি পেলেস ম্যুজিয়ম অসি কুমজা ১৯৬৯ দা অহানবা ওইনা মীয়াম চঙদুনা য়েংবা য়াহনখিবনি।

# গভর্ণমেন্টনা ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারশিংগী সার্ভিস রুলশিং শেম্নবা আর টি আই এক্ট এমেন্দ তৌবগী ৱাফম খন্নরি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ ঃ*

লৈবাক অসিগী আর টি আই (রাইট টু ইনফোর্মেসন) এক্ট কী মখাদা লৈরিবা চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার (সি আই সি) অমসুং ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার (আই সি) শিংগী শেলরি অমসুং সার্ভিসকী রুলশিং শেম্নবা আর টি আই এক্ট ২০০৫ অদু এমেন্দ তৌনবগী ৱাফম গভর্ণমেন্টনা খন্নরি হায়না ঙসি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পার্সোনেল, জিতেন্দ্র সিংহনা অইবা পাউখুম অমদা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, দ রাইট টু ইনফোর্মেসন (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৮ রাজ্য সভাদা খন্ননবা অমসুং পাস তৌনবা নোটিশ ওফ ইন্টেন্সন অমা লানখৎখ্রে।

পুখৎলিবা এমেন্দমেন্ট অসিগী মতূং ইন্না সি আই সি অমসুং আই সি শিংগী শেলরি, এলারেন্স অমসুং সার্ভিসকী তার্ম এন্দ কন্দিসনশিং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা প্রেসক্রাইফ তৌরকপা অদুনা ওইগনি।

সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারশিংগী মতম চহী ৫ দগী শেমদোক্লবা ৱাফম পুখৎলি অমসুং মদু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লেপ্পকপা অদুদা ওইগনি হায়না পুখৎলিবা এমেন্দমেন্ট অসিনা হায়রি।

হৌজিক হৌজিক্তি আর টি আই এক্টকী মখাদা চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারশিং অমসুং ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারশিং, অমসুং ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারশিংগী শেলরি, এলারেন্স অমসুং সার্ভিস কন্দিশন্নচিংবগী রুল শেম্নবা প্রোভিজন লৈত্রি।

অদুবু আর টি আই এক্টিভিষ্ট কয়ানদি এক্ট অসিদা শেমদোক্লবা পুখৎলিবশিং অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। ইনফোর্মেসন কম্মিস্নারশিংগী থাক অসি ইলেক্সন কম্মিসনগা মান্নরম্বদগী নেমথহল্লক্কদৌরে অদুগা মখোয়গী চহী ৫ গী অরেপ্পা তার্ম অসি লৈহল্লোইদৌরে হায়না আর টি আই এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংদা য়েঙ্খোক্লিবা প্রপোজ এমেন্দমেন্টশিং অদুনা শেলরি, এলারেন্স অমসুং সার্ভিস কম্মিসনগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসনগা ইনফোর্মেসন কম্মিসনগা লৈরম্বা মান্নবা অদু লৌথোক্লবা ৱাফম য়াওরি।

# সি বি আই না করপসন কেস ৩১১ রেজিষ্টার তৌখি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ ঃ*

সি বি আই না চহী অসিগী জনুৱারীদগী জুন ফাওবদা করপসন কেস ৩১১ রেজিষ্টার তৌখি। অদুগা ২০১৭ দা পূন্না অসিগুম্বা কেস ৬৩২ রেজিষ্টার তৌখি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা ঙসি লোক সভাদা অইবা পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখ্রে।

# হি লাকশিনখিবা পূং ৪৮ গী মতূংদা ঙামী ১৯ ফংবা ঙমদ্রি

*দাইমন্দ হারবর, জুলাই ১৮ ঃ*

বেঙ্গলগী সুন্দরবন এরিয়াদা ফ্রেজর্গঞ্জদগী চৎথোক্লগা লৈবা বে ওফ বেঙ্গলগী ঈশিংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ট্রোলর অহুম লাকশিনখিবা অদুগী পূং ৪৮ মতূং ফাওবদা ঙামী ১৯ থিবা খঙদনা লৈরি।

ফিসরমেন্স এসোসিয়েসন অমনদি ঈথৎ অমগী মনাক্তা ঙসি হকচাং অমা ফংলে হায়খি। অদুবু ৱাফম অসি অরেপ্পা খঙদ্রি। কোষ্ট গার্ডকী হোবরক্রাফ্ট অমসুং এয়ারপ্লেন অমনা মাঙখিবা মীওইশিং থিবগী থবক চত্থখ্রে। ফিসরমেন্স এসোসিয়েসনগী ট্রোলর ৬ অমসুং পুলিসকী মোতের লোঞ্চ অমসু মফম অদুদা চঙশিনখ্রে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা হায়খ্রে।

# রেপ কেস ১,১০,৩৩৩ থোকখি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ ঃ*

কুমজা ২০১৪ দগী ১৬ ফাওবদা লৈবাক অসিদা রেপ কেস ১,১০,৩৩৩ রেজিষ্টার তৌখি। রেপ কেস অদুদি ২০১৪ দা ৩৬৭৩৫, ২০১৫ দা ৩৪৬৫১, ২০১৬ দা ৩৮৯৪৭ নি হায়না ঙসি রাজ্য সভাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা অইবা পাউখুম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

# মিগ–২১ ক্রাসতা পাইলোট শিখ্রে

*কাঙ্গ্রা, জুলাই ১৮ ঃ*

ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী মিগ–২১ ফাইটর জেট অমা ঙসি হিমাচল প্রদেশকী কাঙ্গ্রা দিষ্ট্রিক্টতা ক্রাস তৌবদা পাইলোট অদু শিখ্রে। ফাইটর জেট অদু চাং নাইনা পাইবা খোঙচৎ অমদা চংখিবনি।

জুন থাদসু গুজরাটকী কুচ্ছতা হেক পাইখৎখিবা মতূং ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী জাগুৱার ফাইটর বোম্বর অমা ক্রাস তৌবদা পাইলোট ওইখিবা এয়ার কোমোদোর অমা শিখি।